# জোগিং তৌবা অমদি তপ্না তপ্না লমজেল চেনবনা হার্ট ফবা হেল্লকই

- লৈশাংথেম অজিৎ -



কুমজা ১৯৬০গী মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা থম্মোয়গী লায়না নাদুনা শিখিবা মীওই অসি অঙকপা ফংনা য়াল্লম্মী। অদুবু মতম খরগী মতুংদা অয়ূক্তা অমদি নুমিদাংৱাইরমদা তপ্না তপ্না চেন্দুনা চৎপা হায়বদি জোগিং তৌবগী চৎনবী অসি হৌরকখি। মতমগী মতুংইন্না ডোক্তরশিংনা জোগিং তৌবা অমদি তপ্না তপ্না লমজেল চেনবা অসিনা হার্ট ফবা হেল্লকই, হার্টকী লায়না লৈবা ঙমদে, হার্টকী মপাঙ্গল কলহনবা ঙম্মী হায়বা পাউজেল কয়ামরুম পীদুনা লাইরিক ওইনা ইরকপা হৌরকখি।

মতম অসিদা ন্যু জিলেন্দগী অফাওবা লমজেলগী ওজা অথর লিদিয়ার্দ অমসুং য়ু এস এগী ওরেগোন য়ুনিভর্সিটিগী লমজেলগী ওজা বিল বোৱারমেন্না জোগীংগী কান্নবগী মরমদা ইদুনা পাউজেল অসি মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখি। মসিগী মথক্তা য়ু এস এগী এয়র ফোর্সকী ফিজিকেল ফিটনেস এক্সপার্ট ডোক্তর কেনেথ কুপরনা মহাক্কী 'এরোবিক' কৌবা লাইরিক অমা ইদুনা মালেমদা লমজেল অশাংবা চেনবনা মশাদা অনা-অয়েক লৈহন্দবা, তিঞ্জং কায়জংদবা মী অমা ওইহনবা ঙম্মী হায়বা শন্দোক্লম্মী।

ডোক্তর ফিক্স, ডোক্তর কুপ্পর অমসুং জর্জ শিহানগী লাইরিকশিংবু বাইবল, কোরান অমসুং গীতাগুম্না মীয়াম্না চেৎনা অমসুং শেংনা থম্নরি। লাইরিক অদুদা অসুম্না ইরি মদুদি 'অরুম্বা হন্থবা, ব্লদ প্রেসর হন্থবা, পুন্সি শাংবা' অসি লাইগী খোল্লাউনি। হৌজিক্কী মতমদা হার্টকী লায়নানা মরম ওইদুনা মীওই কয়ামরুম হাৎলিবা অসিগী মরমদি হকচাং শাজেল ৱাৎপা, খূৎনা থবক শূবা নোম্বা ৱাৎপা, চিঞ্জাক চাবগী চাংদগী শাজেল তৌবগী চাংনা হেন্না ৱাৎপনা ওইরি। ডোক্তরশিংগী খোল্লাউদি লমজেল তপ্না তপ্না শাংনা চেনবনা হার্টকী খ্বাইদগী ফবা শাজেলনি। মসিনা হার্ট চাউবা হেনগৎহল্লি হায়বদি হার্টকী সাইজ চাউহল্লি, হার্টকী ষ্ট্রোক ভোল্যুম, ব্লদ ভোল্যুম অমসুং কার্দিয়াক আউট-পুট হেনগৎহল্লি।

ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়ামুক দাইবেটিশনা নারিবা অমদি কা হেন্না মশা নোয়খৎলিবা অসি মশাগী হকচাং শাজেল ৱাৎপনা তৌবনি হায়বা মীয়াম্না খঙনরি। হায়রিবা লায়নাশিং অসিনা মীওইবগী মপুন্সি মাঙহল্লি। মরম অদুনা মীয়ামদা মসিগী মরম খঙহন্নবা অমদি মীপূম তিংনা ৱাখল তাহন্নবা ৱর্ল্ড হার্ট দে, ৱর্ল্ড দাইবেটিস দে অমদি এন্টি ওবেসিটি দে হায়না তোঙান তোঙানবা নুমিত্তা পাঙথোক্লি।

লায়নাশিং অসিবু ঙাকথোক্নবা অমদি লায়না অসিদগী কোক্নবা অরাইবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থবদি 'এরোবিক' ট্রেনিংনি। এরোবিক্কী শাজেল মখল কয়ামুক লৈবগী মনুংদা খ্বাইদগী চম্বা অহল নহা ইনাকখুনবা অমদি লায়রবশিংনা তৌবা য়াবদি লমজেল শাংলপনা তপ্না তপ্না অমদি ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা চেনবা অসিনি। মরম অসিনা কুমজা ১৯৬০গী মতুং তারকপদা লৈবাক অসিদা এরোবিক্কী লমজেলশিং পাকশন্না শান্নবা হৌরকখি।

মরাথনগী অনৌবা য়াওন পুরকখিবদি ইথোপিয়াগী অবেবে বিকিলানি। ওলিম্পিক অনী থংনা থংননা মরাথন চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা অহানবা নুপানি। মহাক্না কুমজা ১৯৬০গী রোম ওলিম্পিক্তা খোঙউপ য়াওদনা লমশাং অদু চেন্দুনা মকোক ওইবা মতমদা মালেমদা লমশাং অসিবু খ্বাইদগী য়াঙনা চেনবা কুচু মুবা ফুরুপকী মনুংদা ওলিম্পিক্কী অহানবা চেম্পিয়ননি। মহাক্না ইথোপিয়াগী নিংথৌরেদা হেল সেলাকিগী রোয়েল বোদি গার্দনি। মহাক্না কুমজা ১৯৬৪দা তোকিও ওলিম্পিক্তসু মালেমগী রেকোর্দ অমা থমদুনা সনাগী মেদল অমুক লৌখি।

মরাথন লমজেলগী পুৱারীদা নীংশিংনীংঙাই ওইরবা থৌদোক কয়ামুক থোকখিবগী মনুংদা কোরিয়াগী সোন কিয় চুঙগী ৱারীসু অমা ওইরি। জপান্না কোরিয়াবু কুমজা ১৯১০দগী ১৯৪৫ ফাওবা খুদুম চল্লম্মী। মরম অদুনা কোরিয়াগী অফবা শান্নরোয়শিংবু জপানগী মমীংদা শরুক য়াহল্লম্মী। কোরিয়াগী শান্নরোয় অফাবশিংবু জপানগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াহল্লি। অদুবু কোরিয়াগী মমিং অদু জপানগী মমিং অমা থোনজিল্লগা লৈবাক অদুগী মমিংদা হায়বদি জপানগী মমিংদা অমা থোনজিল্লগা শরুক য়াহনখি। মমীং অসি মশাগী অয়াবা য়াওদনা নমদুনা থোনজিনখিবনি। কুমজা ১৯৩৫দা কোরিয়া মচা সোনকী চুঙ কৌবা অমনা মরাথন চেনবদা মালেমগী রেকোর্দ পুং ২ মিনট ২৬.৪২দা থুগাইখি। মসি টোকিওদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অমদনি।

মহাক কুমজা ১৯৩৬তা বর্লিন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অদুদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংবা য়াবা লমজেল্লোয়নি হায়বা মীয়াম্না খঙখি। জপান মচাশিংগী মরক্তসু ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা য়াবা মরাথন চেনবশিং লৈরম্মী। মরম অদুনা জপানগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ানবা লমজেল্লোয়শিং অদু খন্নবা কুমজা ১৯৩৬কী মে ২১দা অথোই অহেন তান্নবা অমা পাঙথোকখিবদা কোরিয়াগী নাম সেয়ুংনা মায় পাকখি। অতোপ্পা কোরিয়া মচা সোন কী চুংনা অনীশুবা তাখি অদুগা জপানিজ অনীনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাখি। মরিমক বর্লিন্দা থাখি মদুদা লৈবাক ২৭তগী লমজেল্লোয় ৩৬না শরুক য়াখিবদা কোরিয়া মচা সোন কী চুংনা ওলিম্পিক অদুদা মকোক ওইখি। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীগীসু খনবীরগা তৌবা থবক্না নুংশি-চান্নবা পুরক্কনি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা লৈরক-কোন্সাং অয়াম্বা মতম চানা নিংথিনা শেমজিন-শাজিন্দুনা কোয়লাস মতিক চানা থাহৌদবা অমদি লৈরক্কী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা নালাশিং অদু ফত্ত-হৌদিনা তোয়না ফুনগত্তুনা লৈরকশিং অদুগী ফীভম খঙশোক শোকহল্লি। অসিগীসু মথক্তা থা খরগী মমাঙদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীরগনি হায়দুনা হান্নগী লৈনুংদা ফুমদুনা লৈরম্বা ঈশিং পাইপশিং অদু লৌথোক্লগা অনৌবা পাইপ অমুক লৈরক্কী নাকল অনীদা লৈরিবা মতাই মতাইদা হাথু-হাথু ফুমজিনখ্রগা নূংচাক খরা য়াওবা লৈবাক খরা কাবক-শাবক খোৎচিন্দুনা থল্লম্বদগী লৈরক্কী মতাই মতাইনা ৱাংখত্তুনা লৈ অদুগা ময়ায়গী শরুক্না কুখদুনা লৈহৌরে। অসুম্না লম্বীগী কোয়লাস কোক্লকপগা মপা-মপা চানরকপদগী লৈরকশিং অসি অকুৎ অতোং, কুদুক-কদ্রাক নাইদুনা লৈরকপা মতম কুইরক্লে। অমনা অনৌবা ঈশিংগী পাইপ শীন্দোক-শিঞ্জিন তৌরম্বা মতমদা ঐগী ৱাটর কনেক্সন অদু কুমজা ২০১৯গী জুলাই থাদগী থদত্তুনা থম্বীরম্বদগী ঙসি ফাওবা কনেক্সন অদু শমজিনবীবা লাক্ত্রি। মসিনা তাক্লিবদি চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা মশানা খঙনা মীগীদমক অফবা ৱাখল্লোন চেন্দুনা থবক তৌবিরমদে হায়বনি। মীওইবা হায়বসি শোয়বা নাই হায়রিবনিনা মসিগুম্বা য়েংবা নুংঙাইতবা অমুক হন্না থোকহন্নীংদবা অশোয়বশিং অসিগীদমক খুন্নাইলক্তগী লৌথুপ লৌকোই লৈতনা খন্ন-নৈনবগী অমসুং ৱাকৎহৌনবগী ৱাখল্লোন পোক্লিবনি। অসুম্না ৱাকৎনীংঙাই ওইরিবা থৌদৌশিং অদু লন্নাইগী নৎত্রগা লৈবাক মীয়ামগীবু ওইরবসু পাঙথোক চামহৌবদগী ৱাকৎহৌদ্রবা নৎত্রগা মশানা খঙনা মীগী কান্নবদি তৌবিরক্কনিনা হায়দুনা ঙাইথোক্তুনা লৈরগদি হেন্না অহোয়নদুম ৱাকৎপীরক্তবগী ফনদুম ফরেদা হায়দুনা নীংঙাইদনা লৈথোক্লরিবা মণিপুর খুন্নাই অসিগী হৌজিক মতমগী শাথিখ্রবা লাইচৎনি।

শুপ্নতগী লৈরক-খুল্লক নুংঙাইরক্তবগী মতাংদা অসুম চত্থরকপা ওইনা ঙসাইগী লৈরক্কী মতাই মতাইশিং অদু ৱাংখৎনা থল্লগা ময়ায়গী শরুক অদুনা কুত্থহৌরবনিনা নোং খজিক্তং চুবগা লৈখোম-লৈনাং ওইবা ঈশিংনা লম্বী মথক্তা ওইনা চেল্লত্তুনা অচৎ-অওক্কীদি কয়াদা খুদোংচাহন্দ্রে। নোং চুবা লেপখ্রবা মতুংদসু অকুৎ-অকুৎপা মফমশিংদা লৈনাং তুং-তুংদুনা লৈ। নোং খরা কল্লপকা চুবা থোক্লবদি ঈশিং থুমজিনখিদুনা মশক উবা ঙমদবা লৈরক খরসু য়াওরি। নোম্না জাৎ অমগসু থেংনরে। লৈরক্না তাইনরিবা দ্রেনগী ফিবান অনীগী পরিং পরিংদা মচিন-ময়া থৌরবা য়োৎকী মশুং নাইবা পোলশিং খুকউ খুকউমুক ৱাংনা লৈরক্কী নাকল অনীমক্তা য়ুংশিনবসু য়াওরি। তৌবদবু কনাগী থৌশিলনো, করম্বা নোম্নানো হায়বদুদি ৱাখলনা লাম্বা ফংদবগী ৱানি। মসি লৈরক্কী খুদোংথীনীংঙাই ওইরিবা ফীভমদা হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইহন্নবা মচাক অমুক হাপচিনবা হায়বদুনি। করিগুম্বা খুজিন্থোক-খুনান্থোক্তগী কনাগুম্বা অমা মচিন-ময়া থৌরবা য়োৎকী উয়ুংশিং অদুদা ফৈদুনা নৎত্রগা চেপ্তু তুশিনবা থোক্লবদি মী অদুগী হকচাংদা করিদি থোক্কনি? লৈরক্তসু নৎত্রি অচৌবা লম্বী-সরকশিংসু ঈরম-নালা ফত্তবদগী নোং চুরবসু চুদ্রবসু অমোৎপা ঈশিং হাগৎলকপদগী ঝমেলা ওইনরিবসিনি। অসিগুম্বা নাতৈ হুক্তবা থৌওংশিংগী ফীভমশিং উরুরগা ফাওরকপা পূক্নিং ৱাখলশিং অসিবু ওইরোই পারোইদবা, খন্ন-নৈনফম থোক্তবা পংয়েৎ য়েৎপা, ইশাতগী খঞ্জবা ফত্তবা ৱাখল্লোন ওইনা লৌনগদৌরিব্রা? হিংজ্রোং-কায়জ্রোং থোংবা এঙ্খাং পীজদুনা মীগী মপুক নাহনবগুম, মীগী খন্দনা মমুৎ তাদনা থবক তৌবিরবদি মদুগী তেকচাক পুগনি, তাইবঙ শেম্বা মপুনসু চানবীরোই।

অরোইবদা, অসিগুম্বা নাতৈ-পুতৈ চাখিদ্রবা থবক থৌওংশিং অসি লাপ্না নাথৈদুনা থম্বীখ্রগা, অনৌবা লৈঙাক্কী ফজরবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ফীভম শাথীনা শোকচিল্লবা লৈরক-খুল্লক অমদি লম্বী-সরকশিং অসি মীগী খনবীরগা ফজবা অমসুং নুংশিনবা পুরক্নবা অমুক্তং মতম চানা নিংথিনা শেমহনবীনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিংগী মফমদা লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা ৱাখল্লোন ওইনা নোল্লুক্না ফোঙদোকচরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

---

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

NOTIFICATION No.215
Date 07/02/2020

It is hereby informed to all the households under ward nos. 1,2,3,4,5,6,14,24 and 25 of Imphal Municipal Corporation that the domestic household connections to the nearest already laid sewer pipeline/chambers are to be made within 2 (two) weeks time. This is mandatory in order to prevent sewage flow in the nearby river as per SWM rules and subsequent directions of the Hon'ble National Green Tribunal, Govt. of India.

Hence, the undersigned request all the concerned households of the above wards of Imphal Municipal Corporation for immediate connection of domestic toilets to the nearest sewer pipeline/ chambers.

Any clarifications/ helps please contact the following officers:

1. Kangujam Bablu Singh (A.E) - 9774498440 - Thangal Bazar & Paona Bazar, Thangmeiband and Lamphel
2. Seram Tiken (A.E) - 9436026567 - Uripok and Yaiskul
3. Kh. Sahendra (S.O) - 7005565550 - Ward No. 24 & 25
4. Th. Karnajit (S.O) - 8974433655 - Ward No. 4,5 & 6
5. Y. Romendro Singh (S.O) - 8575037254 - Lamphel and Thangmeiband Area, Ward No. 1,2 & 3.
6. Kh. Rajesh Singh (S.O) - 8787856051 - Ward No. 14 (Yaiskul)

Sd/- A. Ibohal Singh
Executive Engineer
Drainage & Sewerage Division, PHED Manipur.
HL-B/6037/11,12,13

EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai

Foundation Course for Class IX and X
From 15th December 2019 & 5th January, 2020 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.

General Foundation Course for Class I to VIII
From 5th January, 2020

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)
7th Position
*The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.*
8th Position 11th Position 12th Position
19th Position 22nd Position 23rd Position
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
91.4 % 90.4 % 85.0 % 84.6 % 83.0 %
Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)

Facilities -
- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)

Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita

Available student's loan for the students studying in our institute

For details please contact 9612194500
HL-B/5999/29-27/2

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস
ওফিস ওফ দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর ফোর হেন্দলুমস

কুমজা ২০২০-২১ চহী মনুংদা মখাগী স্লোটশিং অসিগী ওইনা দিল্লি হাট, আই এন এ, ন্যু দেল্লিদা শরুক য়ানবগীদমক কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিং/প্রদ্যুসরশিংগী গ্রুপ, সেলফ হেল্প গ্রুপ (এস ঐচ জি) অমসুং ফেদরেসনশিং য়াওনা মতিক চারবা হেন্দলুম ক্লষ্টর খুদিংমক্তগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি :-

দিল্লি হাট, আই এন এ, ন্যু দেল্লি

| সেল. নং. | স্লোটস | সেল. নং. | স্লোটস |
|---|---|---|---|
| ১। | ০১ - ১৫ ফেব্রুৱারি, ২০২০ | ৮। | ০১ - ১৫ জুন, ২০২০ |
| ২। | ০১ - ১৫ মার্চ, ২০২০ | ৯। | ১৬ - ৩০ জুন, ২০২০ |
| ৩। | ১৬ - ৩১ মার্চ, ২০২০ | ১০। | ০১ - ১৫ জুলাই, ২০২০ |
| ৪। | ০১ - ১৫ এপ্রিল, ২০২০ | ১১। | ১৬ - ৩১ জুলাই, ২০২০ |
| ৫। | ১৬ - ৩০ এপ্রিল, ২০২০ | ১২। | ০১ - ১৫ ওগষ্ট, ২০২০ |
| ৬। | ০১ - ১৫ মে, ২০২০ | ১৩। | ১৬ - ৩১ ওগষ্ট, ২০২০ |
| ৭। | ১৬ - ৩১ মে, ২০২০ | | |

ঈলিজিবিলিটি

১. কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিং/প্রদ্যুসরশিংগী গ্রুপ, সেলফ হেল্প গ্রুপস (এস ঐচ জি) অমসুং ফেদরেসনশিং য়াওনা হেন্দলুম ক্লষ্টর খুদিংমক্না শরুক য়াবা য়াগনি। এপ্রিল ২০২০ দগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী থবক মঙম শান্দবা মতমগী মনুংদসু সান্ট কাবির এৱার্দিশিংদা ষ্টোলশিংগী এলোটমেন্ট পীগনি।
২. রোটেসন মতিক চানা লৈহন্নবগীদমক্তা মমাংগী এলোটমেন্টকী থবক কন্নবা মতম (ওক্তোবরদগী মার্চ ফাওবা) অমসুং থবক মঙম শান্নদবা মতম (এপ্রিলদগী সেপ্তেম্বর ফাওবা)গী **থা তরুককী** মতম পুন্না **চহী অমগী** গেপ মতুংদা শরুক য়ানবগীদমক এজেন্সি খন্নগনি।

ঈলিজিবল ক্লষ্টর খুদিংমক্না প্রিস্ক্রাইব তৌবা ফোর্মেটতা মথক্কী দিল্লি হাটকী স্লোট খুদিংমক্কীদমক এপ্লিকেসন মেনশিল্লগা অমসুং দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর (হেন্দলুমস)কী ওফিসতা এন্টিমেসন তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী খ্বাইদগী নকপা ৱিভরস সর্ভিস সেন্টর (দব্লিয়ু এস সী)দা সবমিট তৌগদবনি। দিল্লি হাটকী এপ্লিকেসন সবমিট তৌবগী তারিখ পাউচেদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা থা অমা ওইগনি। অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক্তা এপ্লিকান্টনা মখোয়গী খ্বাইদগী নকপা ৱিভরস সর্ভিস সেন্টরদা কন্টেক্ট তৌবিবা য়াই নৎত্রগা দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর ফোর হেন্দলুমসকী ৱেবসাইট (**www.handlooms.nic.in**)তা লোগ ওন তৌবিবা য়াই।

ওফিস ওফ দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর (হেন্দলুমস)
মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, উদ্যোগ ভৱন, ন্যু দেল্লি
davp 41102/11/0054/1920

GOVERNMENT OF MANIPUR.
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 11th February, 2020

No.CE/PHE/1-289/2019/4152 : The Interaction for final verification of documents of the qualified candidates for the recruitment of various Group C and Group D posts on regular basis in PHE Department, Government of Manipur notified vide Notification No. CE/PHE/1-289/2019/4016 dated 1st February, 2020 will be held as per the schedule shown below.

| Sl. No. | Name of the Posts | Date and Time |
|---|---|---|
| 1. | i) Fitter Grade – II<br>ii) Barkandaz<br>iii) Sweeper<br>iv) AEO | 14.02.2020<br>from 10.00 a.m. onwards |
| 2. | i) Driver<br>ii) Peon | 17.02.2020<br>from 10.00 a.m. onwards |
| 3. | i) L.D.C. ( Roll No. L00008 to L01921) | 18.02.2020<br>from 10.00 a.m. onwards |
| 4. | i) L.D.C. ( Roll No. L01930 to L02515)<br>ii) Junior Supervisor | 19.02.2020<br>from 10.00 a.m. onwards |

Venue :- Office of the Chief Engineer, PHE Department, Government of Manipur.
Note :- All the candidates are requested to bring original certificate at the interaction session.

Sd/- H. Sunil Singh
Chief Engineer ,PHED,
Govt. of Manipur.
HL-B/6051/12,13

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR
Ref :- Mutation Case No. 52/SDC/Bishnupur, 2020
1) Pebam Tamphasana Devi W/o (L) P. Kumar Singh.
2) Pebam Menjor Singh S/o (L) P. Tomal Singh all of Mongshangei Makha Leikai. ...Petitioners
-Vs-
Pebam Kumar Singh S/o (L) Tomal Singh all of Mongshangei. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE
Bishnupur, the 10th February, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Pebam Kumar Singh S/o (L) Tomal Singh of Mongshangei গী মিংদা পানবা খুল নং ৩৮ - বিষ্ণুপুর খাগী পাট্টা নং 51 (Old), 319 (New), C.S Dag No. 1184 গী 3.60 acres চাউবা ফৌরেল লৌফম অমসুং সী এস দাগ নং ২২৩৩গী ৪.৫৫ একরস চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অনীগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরনি।

HL-P/6223/12 Sd/- Sub-Deputy Collector, Bishnupur

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG
Ref :- Mut. Case No. 101/SDC/IW-L/2020
1) Leitanthem Amuthoi Singh S/o (L) Mangi of Awang Lairenkabi (0.205 acre)
2) -do- Amu Singh S/o (L) -do- of -do- (0.345 acre) -Petitioners
-Vs-
(Late) Leitanthem Mangi Singh S/o (L) Leipakmacha Singh of Awang Lairenkabi. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE
The 10/2/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈতান্থেম মঙ্গি সিংহ পীতা মৃ: লৈপাকমচা সিংহ সাং অৱাং লাইরেনকাবীগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৮ - অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮, দাগ নং ১৬৫, এরিয়া ০.৫৫০০০ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/6176/11 Sd/- BC to SDC/Lamsang

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG
Ref :- Mut. Case No. 98/SDC/IW-L/2020
1) Laishram Yaimabi Devi W/o (L) Gobanta Singh of Akham.
2) -do- Ibocha Singh S/o (L) Bijoy Singh of -do-
3) -do- Joykumar Singh S/o (L) -do- of -do-
4) -do- Loken Singh S/o (L) -do- of -do-
5) -do- Solendro Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners
-Vs-
(Late) Laishram Tompishak Singh S/o (L) Chaoba Singh of Akham. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE
The 10/2/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম তোমপিশক সিংহ পীতা মৃ: চাওবা সিংহ সাং অখামগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫১ - অখামগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৩, দাগ নং ১৬৬, ১৬৮, ১৬৯, এরিয়া ০.২৪, ২.৯৭, ০.৪৫গী মনুংদগী ০.১৫ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/6176/11 Sd/- BC to SDC/Lamsang

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG
Ref :- Mut. Case No. 99/SDC/IW-L/2020
1) Leitanthem Amuthoi Singh S/o (L) Mangi Singh of Awang Lairenkabi (0.19 acre)
2) -do- Amu Singh S/o (L) -do- of -do- (0.14 acre)
3) -do- Ingobi Singh S/o (L) -do- of -do- (0.16 acre)
4) Kangabam Mocha Singh S/o Dhanjoy Singh of -do- (0.05 acre)
-Vs-
(Late) Leitanthem Mangi Singh S/o (L) Leibakmacha Singh of Awang Lairenkabi.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE
The 10/2/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈতান্থেম মঙ্গি সিংহ পী: মৃ: লৈবাকমচা সিংহ সাং অৱাং লাইরেনকাবীগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৮ - অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫৪/২১৯, দাগ নং ১৬৬, এরিয়া ০.৫৪০০১ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/6176/11 Sd/- BC to SDC/Lamsang

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।